# ৫১শুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই) ২০২০দা ইন্দিয়ন পনোরমাদা মণিপুরী ফিল্ম অনী খল্লকখিবা

- নানি -



চহী খুদিংগী ওইনা দাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা লাকপা ৫১রকশুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া, কুমসিগী ওইনা মমাঙঙৈদগী মতম খরা য়ৈথরগা জন্যুৱারী ১৬তগী ২৪ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্লবা শীন লাংবা হৌখ্রে। ফেষ্টিভেল অসি ইন্দিয়াগী ওইনা শীনবা খ্বাইদগী চাউবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমনি। দাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল হায়রিবা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ আই এন্দ বিগী মখাদা কুমজা ১৯৭৩দা ইন্দিয়ন ফিল্মগী অমত্তা ঙাইরবা লোইশঙ অমনি। মসিনা চহী খুদিংগী নেসনল ফিল্ম এৱার্দ অমদি ইন্দিয়ন পনোরমা খনবগী থবক অসি তৌই।

পেন্দমিক লৈত্রিঙৈ মতমদদি ফেষ্টিভেল অসি খ্বাইদগী মী য়াম্না তিনবা অমদি ফিল্ম মরাং কায়না মীয়াম্না য়েংনবা অদুগুম্বা ফেষ্টিভেল অমা ওইখিবনি। ফেষ্টিভেল অসিদা ইন্দিয়ন পনোরমাগী সেক্সনদা ফিচর ফিল্ম অমা অমদি নন-ফিচর ফিল্ম অমা পূন্না মণিপুরী ফিল্ম অনী খনগৎতুনা লিষ্ট থোকখিবগী পাউ অসিনা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফিল্ম তৌজরিবশিংগী মরক্তা ফাওনরি। মণিপুরী ফিল্মনা ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াদুনা মপানগী অচৌবা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াবা ফংনবগী থোঙ অমা হাংদুনা লম্বী ফংবা হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে।

কুমজা ২০২০গী খনগৎলবা লিষ্টতা য়াওরিবা ফিল্মশিংদি নন-ফিচর ফিল্ম - "হায়ৱেজ ওফ লাইফ" হায়বা মাইবম অমরজীৎনা দিরেক্সন পীবা অমদি ফিচর ফিল্মদা "ঐগী কোনা (Stallone My Pony)" হায়বা শ্বার্না কমল এৱার্দী বোবি ৱাহেংবম অমদি নেসনল এৱার্দী ফিল্ম মেকর মায়পাকসনা হাওরোংবম অনীনা পূন্না দিরেক্সন পীবা ডা. কে সুশিলানা পুথোকপা ফিল্ম অনী অসিনি। ফিচর ফিল্মগী সেক্সনদা পূন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ১৮৩ এন্ত্রি তৌরকপগী মনুংদা ফিল্ম মেকর অমদি স্ক্রীনরাইটর John Mathew Matthan না চ্যেরমেন ওইবা মীওই ১২না মেম্বর ওইবা কম্মিটি অমনা খনগৎখিবনি। নন ফিচর ফিল্ম কেটেগোরিগী ওইনা শ্রী হাওবম পবনকুমারনা লুচিংবা মীওই ৬না শাবা কম্মিটি অমনা পূন্না ফিল্ম ১৪৩ থাগৎলকপগী মনুংদা পূন্না ফিল্ম ২০ খনগৎপদা 'হায়ৱেজ ওফ লাইফ' হায়বা ফিল্ম অসি ইন্দিয়ন পনোরমাগীদমক খনগৎপদা য়াওরকখিবনি।

"ঐগী কোনা" হায়বা ফিচর ফিল্ম অসি পোলোগী হৌরকফম ওইরিবা লমদম অসিদা পোলো শান্নরোয় অমদি মণিপুরী শগোল পোনিনা করম্না হিংলিবগে হায়বা অসিদা যূম্ফম ওইরগা শেম্বা ফিল্মনি। ফিল্ম অসিনা লমদম অসিদা মুৎশিল্লক্লিবা পোনি অমদি মালেমদা মমিং লৈরবা পোলো মশান্না অসিগী প্লেয়রশিংগী হিংলিবা পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইরবা ফীভম কয়া উবা ফংলগনি। ফিল্মসিগী মতাংদা ফিল্মসিদা শরুক য়ারিবা এক্টর তোনথোইনা ফিল্ম অসি লমদমসিগী পুৱারী ওইহৌবা য়াবা ফিল্মনি হায়না হান্ননা মাঙজৌননা প্রেস ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। তোঙান তোঙানবা ইস্যু/প্রোব্লেম কয়াদা পুথোক্লরক্লিবা ফিল্মসিগী মনুংদা সবজেক্ট অসিমদি পুমতোন তোঙানবা অতাঙবা অমা ওইরগনি। ফিল্ম অসিবু য়েংলবা মতুংদা লমদমসিগী মীয়ামগী পূক্নিংদা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা অনৌবা ৱাখল অমা লাক্তুনা করি থবক পায়খৎলক্কদগে হায়বদুমা খঙদ্রবসু মপান লমগী মীয়ামদদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবগা লোয়ননা মাঙখিগদৌরবা মণিপুরী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা পোনি কন্নবগী অমদি পোলো শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবগী অনৌবা থৌরাং খরদি পায়খৎলকপা য়াই। তশেংনমকসু পোনিগী ৱারী অসি লমদম অসিদদি মীনুংশিগী মহুত্তা লম্বীদা লৈরম্মী হায়দুনা থাঙনা য়ানবীবা, গাড়ীনা তকপীবা, তমথীনা ফূবিবা অমদি মখোয়বু তাথী-তাওইনা তৌবীবনা হেল্লি। মখোয়গী চাক্তাফম মফম অমা ফাওবা থম্বীদবা, মখোয়বু নুংশিজদুনা লন্নাই মীওই খরনা মরন্নাই ওইনা লোয়জবা নত্তনা কনা অমত্তনা থৌবু অমা ওইনা নুংশিনা য়েংবীদ্রবা মণিপুরগী শগোল পোনি অসি হেক উবদা থীনা চৈবিবা অমদি মখোঙনা কাওশিনবীবা অসি তোয়না থোক্লিবনি। ফিল্ম অসিনা শোয়দনা মালেমগী মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

অমরোমদা মণিপুরগী য়ামখ্রবা মীয়াম অসিগী চাকখাও লম্বী ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং, লুৎ-পাট, লম্বী নিংখাইবা, নমথবা, ব্লোকেদ, বন্দ অমদি খুদোং চাদবা কয়া, দ্রাইভরশিংনা লম্বী অসিদা থেংনরিবা অৱা অনা কয়া অসিদা যূম্ফম ওইদুনা পুথোকপা ফিল্ম "হায়ৱেজ ওফ লাইফ" অসি মমাঙদা বাংলাদেশতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা ওইরিবা Liberation DocFest 2020 দা বেষ্ট ফিল্ম এৱার্দ ফংখিবা লৈখ্রবনি। লোয়ননা কাথমন্দু ইন্টরনেসনল মাউন্টেন ফিল্ম ফেষ্টিভেলদসু শরুক য়ারুখিবা লৈখ্রে। ফিল্ম অসিনা ইন্দিয়ন পনোরমা সেক্সনদা খনগৎলক্তুনা অতোপ্পা ফেষ্টিভেল কয়াদা য়াওনবগী মফম অমা হেন্না লাউনা ফংলকপা অমদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ফিল্ম অসিবু য়েংনবগী তাঞ্জা অমা পীবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনদি লাইবক ফবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। মরমদি নেসনল হায়ৱে লম্বীদা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম পূম্নমক্কী হিংবগা মরী লৈনবা, চান-থক্লবা, ফিরোল, য়ূমশা কৈশাদা মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমকশিং অসি ত্রকশিং অসিনা ঙম্লবা চীংগোল কয়াদা ঙেং-ঙেং ঙংদুনা পুরক্লগা মফম অসিদা য়ৌরক্লিবনি। মসিদা দ্রাইভরশিং অসিনা কখোকপগা লোয়ননা মীওইবা অমা ওইনা থেংনবদা শাথীনা অৱাবা ওইরবা ফিভম কয়াশিং অদুগী মরমদা ফিল্ম অসি উরুরগা শোয়দনা অনৌবা ৱাখল খরা খন্নবা ঙমগনি। কুইরে মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা হায়ৱে অসিগী মরমদা মীয়াম্না হায়নদুনা লাকপা, অদুবু কনা অমত্তনা ঙসি ফাওবদা মসিদা থেংনরিবা অৱাবা অসিদগী কোকহনবা ঙমদ্রিবনি। ফিল্ম অসি নম্লবা হোৎনবদা দিরেক্টর অসিনা শাংলবা চহী ৫ (কুমজা ২০১৪দগী ২০১৮) ফাওবদা থেংনখিবা কয়াদা যূম্ফম ওইবনি। ফিল্ম অসি মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সিগা য়াম্না মরী লৈনবা ফিল্ম অমনি।

পেন্দমিক লৈখিবদগী মণিপুরদা ফিল্মগী ৱাফম অসি মতম খরা লেপ্পুরবনি। মণিপুরদা লৈরিবা ফিল্ম উৎফম হোল অমত্তা হাংনদ্রে। ফিল্মগী থবক পূম্নমক লেপ্পরুরে। অদুবু হৌজিক্তদা অমুক শুটিং খরা খরা হৌনরে। ফিল্মশিং অসি করম্বা মতমদা হান্নগুম মীয়ামদা মপূং ফানা য়েংহন্দুনা প্রদ্যুসরশিংনা মখোয়গী চঙখিবা শেনফম হঞ্জিনবা ঙমগদগে হায়বা অসিমদি অচৌবা ৱাহং ওইনা লৈরিবনি। মণিপুরদা ফিল্মগী থবক অসি নোংম-নোংমগী ওইনা ফীভম ইশোক শোকচিন্দুনা লাক্লি। ফগৎলকপগী অফবা পাউদি তাবা ফংদ্রি। অসুক লুরবা তানফম অসিদা মণিপুরী ফিল্ম অনীনা ইন্দিয়ন পনোরমাদা খনগৎতুনা মায় পুরকপা অসিমক পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।১।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.২৩ ফাওবা পোইনুগী ১৯নি পাল্লি, মতুংদি ২০নি পাল্লনি।

**মেষ :** অৱাবা খরা মায়োক্লবা অমদি চরাংনবনা মাঙজবা লৈরসু লেংদবা লন চাওখৎকনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। নোল্লুক্লা চৎচরদি অঙম্বনা চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** শেল-থুমগী কান্নবা, মীংচৎ অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা লৈ। য়েৎনবনা নথক থোংবগা মরী ফত্তবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা কায়নবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** য়েৎনবা অমদি খুরৌথাংবা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, ললোন ইতিক কান্নগনি অমদি য়েক্লবা হন্থগনি। মীনা ইনশিনবা লৌরদি ময়েং তাবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**কর্কট :** ৱানোম থৌনোম কান্নবা, অফবা লৌশিং ফংজবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংজবা লৈগনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা য়াবসু লৈ। হকচাংদি নুংঙাইতে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** লাইবক থোইনা ফবা, কিদবনা লন ফংবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱারেপতি লৌগনু অমদি ঈংথবনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইজে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** অনীংবা থবক পাংবৈ নুংঙাইবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি মীংচৎ ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি। খুরৌথাংবা অমদি শোকপা য়াবা লৈ-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** মীচং লৈ অমদি অফবা থবক্তি মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা কোক থাদরগা পাংবা য়াগনি। য়েক্লবনা মরুপ কায়ননবা শিনবা লৈ-হৈ শিংউ। চিন য়াংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** লাই গুরুনা চানবীগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি। ঙক কনবনা নরল মাঙগনি অমদি হুরানবনা ইমুংদা তাথী হায়বা কাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা লুনা তৌবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** অয়াম্বা লম্দা চেকশিন্না চৎকদবা নুমিৎনি-নত্রবদি চোপ্পা য়াবা অমদি নুংশাথীবা নংবা য়াবা লৈ। অফবা মরুপ লোয়নৌ নচাক নরল হেন্না চাওখৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱা ঙাঙদবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মকর :** লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি অমদি খুরৌ থাংবা লৈগনি। অদুবু ৱাঙাঙ হৈরবা অমদি থৌরম শিন্দাকপা হৈরবা অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙ-শকপা পকচগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্ব :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। ওজা-গুরুনা চানবীগনি অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা য়াগনি। মহু চাওবনদি য়েংথী।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** মায় পাকচগনি, ওইজবা ফংগনি অমদি অনীংবা থবক মীকোক থোংনা পাংবা ঙমগনি। লৈঙাক অমদি মীয়ামগী লম্দা হেন্না মায় পাক্কদবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



ওজা : মহেশ, এক্সপোর্ট অমদি ইম্পোর্টকী ফজবা খুদম অমমম পীয়ু ?
মহেশ : সানিয়া মির্জা অমদি সোনিয়া গান্ধী



ওজা : নখোয় হায়য়ু - হৌখিবা ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী নুংশিদবা মীশক অমা হায়রগদি কনা ওইগনি?
মহৈরোয় : ওজা, রাজা রাম মোহন রোয়।
ওজা : মদুদি করিগীনো?
মহৈরোয় : মহাক্লা বাল ৱিৱাহ (চাইল্ড মেরিয়জ) তোকহনখিবনি। নৎত্রবদি হৌজিক ঐখোয়সু নুপী-অঙাং লৈজরম্লগদবনি।




তোম্বা : চাওবা, নখোয় বাবা করি থবক তৌগে?
চাওবা : মচিন থিবগী থবক তৌই।
তোম্বা : এ! অদুদি করি থবকনো অদুদি ?
চাওবা : কষ্টমর ক্যর সর্ভিসতা থবক তৌবনি।

ওজা : নুমিদাংদা কাং চিক্লবদি করি তৌবা মথৌ তাই?
পেনাউ : তুমিন্না খোৎ-খোৎতুনা তুমগনি। মরমদি ঐখোয় রজনিকান্তদি নত্তবনিনা কাং অদুবু ফারগা সোরি হায়হনবদি ঙম্লোই...!




মেদাম : কা হেন্না ইংহল্লবসু বরফতৌনা ফমজিনবা ঙম্লোইদবা মহি অমগী মমিং হায়য়ু।
নাউচি : অশৌবা ঈশিং!
মেদাম : করম্বা থাদা নুমীৎ ২৮ লৈবগে?
নাউচি : নুমীৎ ২৮দি থা খুদিংগী লৈ!
মেদাম : (শাউরদুনা) - নঙ মপান্দা চৎলগা অরোইবা লাইন্দা লেপ্তুনা লৈরুচো। (ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা) ...
মেদাম : ঐনা নঙোন্দা মপান্দা চৎলগা অরোইবা লাইন্দা লেপ্লুচো হায়খিবা নৎত্রা ?
নাউচি : মেদাম, অরোইবা লাইনদা অতোপ্পা মহৈরোয় অমা লেপ্তুনা লৈহৌই ...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Rose
By: Ahenba Mayengbam
Class: K.G Sec: Roll No. 2
School: Angel Kids




Title: A Horse
By: Berzelius Aheibam
Class: IV Sec: Roll No. 15
School: Imphal Valley School, Chumbreithong



Title: An Ice Cream
By: Olivia Mayengbam
Class: III Sec: D Roll No. 80
School: Catholic School Canchipur




Title: Ice Cream
By: Henthoibi Lantham
Class: Sec: Roll No. 20
School: Angel Kid




Title: Kite
By: S. Gyaneshor
Class: K.G Sec: C Roll No.
School: Kids' Foundation, Ghari




Title: Santa Claus
By: S. Roodramani
Class: III Sec: C Roll No.
School: Kids' Foundation, Ghari



Title: Foggy Night
By: M. Fiona Devi
Class: III Sec: B Roll No. 67
School: Nirmalabas High School



Title: The King of Dragon
By: Jetish Sorokhaibam
Class: IV Sec: B Roll No. 18
School: Standard Robarth Higher Secondary School



Title: Ocean Fish
By: Marson Meitei Thoudam
Class: I Sec: Roll No. 51
School: Laisukol, Thoubal Achouba

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।